# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-08-2024)**

**ঙা (এল) ঃ** মনিপুরদা ঙা মরাং কায়না পুথোক্তুনা ঙাদা মীপাল তাংদবা হায়বা থৌশিলগী মখাদা ঙসি রাজ্য অসিদা লৈরিবা অচৌবা পুখ্রিশিংদা ঙা মচা থাদবগী থৌরম হৌদোক্লগনি।

রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংগা খুৎশমদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসি অহানবা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নিংথেম পুখ্রি অমসুং চিংমৈরোং মনিং লৈকাই পুখ্রি অচৌবদা হৌদোক্কনি। থৌরাং অসি লমদম অসিদা ঙাগী পোৎথোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা শেন্থোক লন্বী লৈহন্নবা মুখ্য মন্ত্রিনা লৌখৎলিবা খোঙথাংগী শরুক অমনি।

রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগকী দিরেক্তর-হৈস্নাম বালাকৃষ্ণনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-অহানবগী ওইনা থিজিনবদা রাজ্য অসিদা অচৌবা পুখ্রি লিশিং অমগী মথক্তা লৈ। হায়রিবা পুখ্রিশিং অসিদা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ঙা লিশিং মঙা-মঙারোম থাদগনি। ঙাশিং অসি মফম অদুগী ক্লবশিংনা য়েংশিনবগা লোয়ননা চাউনবা হোৎনদুনা শেন্থোক লৈনবসু হোৎনগনি। মহাকা হায়-থৌরাং অসিনা পুখ্রিশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎহনবদা মতেং ওইগনি।

রাজ্য অসিদা লৈরিবা লোক্তাক পাৎ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাৎ অমদি তুরেলশিংদা ঙা মচা থাদবগী থৌশিল লেপ্পা লৈতনা ফিসরিজ বিভাগনা চৎথরি। লমদম অসিগী মরুওইবা তুরেলশিংদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা ঙা মখলশিং অমদি ইন্দিয়ান কাপশিং থাদরি।

**নোনে(এল) ঃ** ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র (কে.ভি.কে) গী গোল্ডন জ্লি থৌরমগা মরী লৈননা নুমিৎ মঙানি চথুরকপা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম লোয়শিনখ্রে।

আই.সি.এ.আরগী মখাদা তমেংলোং অমসুং উখ্রুল জিলাগী

কে.ভি.কেশিংগী ওইবা থৌরম অদুদা জিলা অনি অসিগী দল্লিং ফারমস ইনকম ৭৮ বুসু ইকায় খুমবা উৎখি। আই.সি.এ.আর রিজনেল সেন্টর-লমফেলপাৎ ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৌমীশিংদা মরু-মরাংশিং য়েন্থোকখি অমদি লৌমীশিংগা বৈগ্যানিকশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**নাব(এল) ঃ** নার্কোটিক্স এন্দ এফিয়ার্স ওফ বোডর (নাব) অমসুং মনিপুর পুলিসনা শিনদুনা ঙরাং দ্রগকী মতাংদা মহৈরোইশিংবু গ্যান তাহনবগী থৌরম অমা থৌবাল জিলাগী খাঙবোক্তা লৈবা কে.এম. ব্লুমিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা স্কুল অদুগী মহৈরোই অমদি ওজা ৭০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথরি হায়রি। নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টুদা অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুশিল্লক্লি। মফম কয়াদা চেক পোইন্ট হাংদোক্তুনা মীওই ১৭৪ ৱাহং পাউহং চথখি হায়না মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়রি।

**এআর(এল) ঃ** ভারত লান্মীনা শিন্দুনা মহৈরোইশিংগী ওইবা থৌরম অমা চুরাচান্দপুর জিলাগী তোরবুংদা লৈবা ফিনিক্স ইন্সটিট্যুট স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

এ ডে ৱিট কম্পানি কম্মান্দর হায়বা থৌরম অসিগী মখাদা মহৈরোইশিংগা সেক্যুরিতি ফোর্সকী ওফিসিএলশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। থৌরম অদুদা মহৈরোই ১০০ রোম শরুক য়াখি।

**অসাম ঃ** অসামগী মফম কয়াদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ অলফা (ইন্দিপেন্দেন্স) না বোম থমজিল্লে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অদুগী মফম কয়াদা পাক্তকনা থিবা হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

পুলিসনা চথরিবা থিজিনবা অসিদা মীয়ামনা মতেং পাংবীনবা আপিল তৌরদুনা হায়-করিগুম্বা বোম মানবা পোৎশকশিং নৎত্রগা চিংনবা পোৎলমশিং থেংনরবদি খুদক্তা পুলিসতা পাউ পীবিয়ু।

অসাম পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-চপ চাবা পাউ পীরকপা মীওইশিংদা লুপা লাখ মঙাগী মনা পীগনি। পাউ পীরকপা মীওইশিংগী মমিং-মথা অমদি অকুপ্পা মরোল হায়দোক্লোই হায়রি।

**কোলকাতা ঃ** হোস্পিতালদা মথৌ তৌরিবা ডাক্তরশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা জাতিগী ওইবা আইন অমা শেমনবা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসননা কেন্দ্রদা তকশিল্লি। মসিগী মথক্তা চেকশিন থৌরাং ওইনা সি.সি.টি. কেমেরাশিং থম্বা অমদি মতিক চাবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং থমদুনা হোস্পিতালশিংবু অশোয় অঙাম থোকহন্দবা মফম অমা ওইহন্নবা তকশিল্লি।

অমরোমদা, কোলকতাগী হোস্পিতাল অমদা ডাক্তর নুপী অমবু ইজৎ মাঙহল্লবা মতুং তমথিনা হাৎতোক্লম্বগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসননা ঙসি অয়ুক তরুক্তগী হয়েং অয়ুক পুং তরুক ফাওবা থবক লেপ্পগী খোঙজং চংশিনখ্রে। হায়রিবা মতম অসিদা কেজ়্যেলিতি অমসুং ইমর্জেন্সিগী ওইবা থবক খক্তমক তৌগনি হায়রি।

ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসননা চংশিল্লিবা থবক লেপ্পগী খোঙজং অসি লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈবা ডাক্তরশিংনা শরুক য়ারি।

**ইলেক্সনঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা জম্মু কাশ্মির অমসুং হরিয়ানা বিধান সভাগী মীখলগী মতম লাউথোকখ্রে। জম্মু কাশ্মিরগী ওইনা তাঙ্কক অহুম থোকা ভোট

থাদনরগনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মথং থাগী ১৮ দা, অনিশুবা তাঙ্ককা মথং থাগী ২৫ অমসুং অহুমশুবা তাঙ্ককা ওক্তোবর অমদা ভোট থাদনগনি।

হরিয়ানা বিধান সভাগী ওইনা ওক্তোবর অমদা ভোট থাদনগনি। ভোট মশিং ওক্তোবর মরিদা থিগনি। মীখলগী মতম লাউথোক্লদুনা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-রাজিব কুমারনা হায়-মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা ইলেক্সনগী মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট খুদক্তগী চৎনবা হৌরে।

সিট ৯০ লৈবা জম্মু কাশ্মিরগী ওইনা ভোট লাখ ৮৭ রোমনা ভোট থাদনগনি। মসিগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১১,৮০০ হাংগনি। হরিয়ানাগী ওইনা ভোটর কোতি অনি হেনবনা পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ২০ লোমদা ভোট থাদনগনি।

মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা বি.জে.পি. অমসুং কংগ্রেসনা মীখলগী শেম শাবা হৌখ্রে।

জম্মু কাশ্মিরদা বিধান সভা মীখলগী মতম ইলেক্সন কম্মিসননা লাউথোকখিবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-মীয়ামনা হৌজিক্তি ইতিহাস অমা শেম্বা হকথেংননা উবা ফংলে। জম্ম্ কাশ্মিরদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা লৈরকপদগী মীখল পাঙথোকপনি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হৌখিবা চহি তরা অসিদা চাউখৎপা অমসুং মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনরকখিবা থৌশিল অদুগী মহৈনা অওনবশিং অসি পুরকপা ঙম্বনি।

**রেদিও ঃ** সরকারনা কিষানোকী বাট হায়বা রেদিও প্রোগ্রাম অমা হৌদোক্লগনি। থৌরম অসি লৌমী খুদিংমক্তা তাবা ফংহন্নবা থৌরাং তৌগদৌরি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অকাশবানিগী থোংদা শন্দোক্লিবা মন-কি-বাটকী মওংদা প্রোগ্রাম অসি শন্দোক্কদবনি। ন্যু দিল্লিদা লৌমীশিংগা উন্নবদা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীগী য়াইফ থৌরাং মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়-প্রোগ্রাম অসি মথং থাদগী হৌগনি। মহাকা হায়-প্রোগ্রাম অসিদা মহাক

মশামক্কা লোয়ননা এগ্রীকলচর সাইন্টিষ্টশিং অমসুং বিভাগ অসিগী ওফিসিএলশিংনা লৌমীশিংদা তঙাইফদবা পাউশিং পীগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হুইয়েন লানপাউদা-মে অহুম ২০২৩ দগী ইম্ফালদগী লল্লোন ইতিক তৌবা মীওই অমত্তা লাক্তবনা মোরেদা খম থেংনা ৱান্নরে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মীতৈ-কুকি, নাগা অমদি মীতৈ পাংগলগী মীওই কয়াগা রাহুল গান্ধিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে, পি.এম. মোদি মনিপুরদা চৎনবা তকশিল্লক্লি হায়বা পাউ অসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কোলকাটাদা নুপী ডাক্তর গেং রেপ তৌবদা নত্তনা হাৎখিবগী থৌদোক, মনিপুরদসু ঙসি পুং ২৪ অনা লায়েং লেপকদৌরিব হায়বা পাউ অসি সনা লৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেস অমসুং পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এস.সি. অমদি হায় কোর্টকী জজমেন্টশিং মনিপুরি লোলদা ফোংদোক্লগনি হায়বা পাউ অসিনা মনিপুর ন্যুজকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নৌনা শেন্নবা জিলাশিংদা নাগাগী খুলশিং নাথৈবীরে হায়না এম.এল.এ. লৈশিও কৈশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা ফোংলি।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা পন্দুনা লৈরিবা থাউ পুবা গাড়িশিং ইম্ফাল তমা থোরকপগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-ওইজবা থিবা খরনা মে অহুমগী থোকহনখিবনি হায়বা সি.এমগী ৱাফম, বরাক্তা লুপখিবা দ্রাইভর থিবা খঙদ্রি হায়বা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা-খুগা দামগা তায়নবা মরু কোক্লবা চিং অমা য়োন্নবগী

মতাংদা দি.সিদা রিপোর্ট পীখৎলকবা খঙহনখ্রে অমসুং অথৌবা চিত্তরঞ্জন লৈখিদবগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না পাউ অসিনা পাউ অসিগ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতা, তমেংলোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট বিল্ডিং শঙ্গাবা অমসুং হাইপৌ জাদোনং ফুটবোল টর্নামেন্ট ঙসি হৌদোকপগী পাউশিংনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।